HUEIYEN LANPAO

## য়ৈথোক্লে

ইম্ফাল, মে ১৯ (ঐচ এন এস):

ইন্টরনেসনল অমসুং নেসনল ফিল্ম ফেষ্টিবেলদা এৱার্দ ফঙলক্লবশিংবু ওকপগী থৌরম অমা মণিপুর ষ্টেট ফিল্ম দিভলপমেন্ট সোসাইটিগী ওদিটোরিয়মদা হয়েং পাঙথোক্কনি হায়না তৌরম্বা অদু থা অসিগী ২৬ কী নুংথিল পুং ২ তাবদা পাঙথোল্লগনি হায়না এম এস এফ দি এসকী সেক্রেটরিনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

## পাইপ তিংগনি

ইম্ফাল, মে ১৯ (ঐচ এন এস):

খোংমন মঙজিলদা লৈরিবা জোনেল রিজর্বরদা অফবা ঈশিং ফঙহন্নবগীদমক শিংজমৈ কোংবা লন্বীদা কোংবা নান্দৈবম লৈকায়দগী খোংমন মঙজিন ফাওবা পাইপ তিংগদৌরিবা অসিদা কনাগুম্বগী দোমেষ্টিক লাইন তৎপা, কায়বা য়াওরবসু অথুবা মতমদা শেমজিনগনি হায়না পি ঐচ ঈ দিনা ফোঙদোরক্লি।

## সোলর লেম্পশিং য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ১৯ (ঐচ এন এস):

রেদ সিল্ড দিভিজনগী সেনাপতি ব্রিগেদকী মীৎয়েং মখাদা জ্বালামুখি বট্টালিয়ন্না লৈলোন, ফাইজোল ভিলেজদা সোলর লেম্প ২৭ অমসুং কাংপোকপীগী ১৭ মাইল অমসুং ১৮ মাইলদা সোলর লেম্প ৩০ ঙরাং য়েন্থোকখ্রে হায়রি।

## অৱাবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, মে ১৯ (ঐচ এন এস):

ৱাংখেম লোকেন্দ্রজিৎনা থা অসিগী ১৮ দা এইমসতা লৈখিদবদা দিপার্টমেন্ট ওফ সাইন্স এন্দ ম্যুজিক, মণিপুর য়ুনিভর্সিটিনা অৱাবা ফোঙদোরক্লি।

মণিপুরী আর্ট এন্দ কলচরগী অমদি দিপার্টমেন্ট অসিগীদমক্তা মহাক্না পাঙথোক্লম্বা থবক থৌরম কয়া অদু শীংথারদুনা দিপার্টমেন্ট অসিগী হেদ অমদি ষ্টাফশিং লোয়ননা মহৈরোয়শিংনা ঙসি দিপার্টমেন্ট অসিগী লেকচরর হোলদা মীফম অমা পাঙথোক্তুনা মীনিট অনী তুমিন্না লৈদুনা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে হায়রি।

অমরোমদা, ব্রহ্মপুর নহাবমগী ধর্ম্মলায়া সোসল ৱেলফ্যেয়র সেন্তরগী মীফম অমা ঙসি অয়ুক পাঙথোক্তুনা ব্রহ্মপুর নহাবমগী পুরিৎময়ুম লৈরক্তা লৈবা গুরুময়ুম শ্যামনা লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে হায়রি।

লৈখিদ্রবগী থৱায়বু ইকায়খুম্নবা উৎতুনা মীনিট অনী তুমিন্না লেপ্তুনা মহাক্কী থৱায়না মপুগী নাক্তা ঈংনা চিক্না লৈনবা থৌনিখি হায়রি।

## টি ঈ টি য়ৈথোক্লে

ইম্ফাল, মে ১৯ (ঐচ এন এস):

বোর্দ ওফ সেকেন্দরি এদ্যুকেসন মণিপুরনা শীন্দুনা পাঙথোক্কদবা টি ঈ টি (টিচর্স ইলিজিবিলিটি টেষ্ট) ইগজামিনেসন ২০১৮ লাক্লিবা জুন ১ দা পাঙথোক্লবা মতম লেপখিবা অদু লাক্লিবা জুলাই ১ দা ওইনা পাঙথোক্লগনি হায়রি।

ইগজামিনেসন অসিগী মতমদি অদুমক হোংদনা পেপর ৱানদা অয়ুক পুং ১০ দগী নুমিৎয়ুংবা ফাওবা অমসুং পেপর টুদা নুংথিল পুং ১ দগী ৩ ফাওবা পাঙথোক্কনি। লাক্লিবা জুন ১ দগী এদমিট কার্দশিং ইশ্যু তৌগনি লোয়ননা ইগজামিনেসন সেন্তরশিং মতুংদা খঙহল্লক্কনি হায়না বোসেমগী সেক্রেটরি অখাম জয়কুমারনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

## নেচরেল হেল্থ ক্যের ৱার্কশোপ পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ১৯ (ঐচ এন এস):

জ্যুনিজনা শীন্দুনা কোংনুং মমাংদা লৈবা লময়ানবা শঙলেন্দা ঙসি নেচরেল হেল্থ ক্যের ৱার্কশোপ অমা পাঙথোকখ্রে।

ৱার্কশোপ অদু মণিপুর লৈঙাক্কী রেভিন্যু দিপার্টমেন্টকী রিটাইয়র্দ অন্দর সেক্রেটরি দল্লিয়ু কুমারনা মৈরা চুখৎতুনা হৌদোকখি।

ৱার্কশোপ অদুগা মরী লৈননা ৱাঙাংলদুনা জে এফ সী এম দনেশ্বর ওইনামনা ফোঙদোকখিবদা, জ্যুনিজ কম্পেনি অসি অমেরিকাদা লিংখৎখিবনি। সাইন্টিষ্ট কয়ানা মতম কয়া চঙনা রিছার্স তৌরবা মতুংদা স্কিন ক্যেরগী পোৎলমশিং অমদি ন্যুট্রিয়েন্ট প্রদক্টশিং পুথোকখি। স্কিন ক্যেরগী পোৎলমশিংনা অহানবা ওইনা পুথোকপা হৌখি। পোৎলমশিং অসি মপান লৈবাক কয়াদা য়াম্না পাম্না শীজিন্নরি। হকচাংদা শোক্লোইদবা মওংগী পোৎলমশিংনি। উনশাগী চেকশিন থৌরাংদা য়াম্না মরুওইবা পোৎলম কয়া য়াওরি। অসিগুম্বা পোৎলমশিং অসিগী মতাংদা ঙসি ৱার্কশোপ পাঙথোক্তুনা পূন্না খঙমিন্ননবা হোৎনবনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

ৱার্কশোপ অদুদা ঐচ রোজরনা স্লাইদ শো কাপ্তুনা জ্যুনিজ প্রদক্টশিংগী মতাংদা ৱাফম কয়া ফোঙদোকখি।

# কলচরেল ফোরম মণিপুরগী নুমিৎ নীনি চথুগদবা দাইমন্দ জুবিলিগী থৌরম হৌদোকখ্রে




ইম্ফাল, মে ১৯ (ঐচএনএস) ঃ

কলচরেল ফোরম লীংখৎপা চহী ৬০ শুরকপগী দাইমন্দ জুবিলি থৌরমগা মরী লৈননা নুমিৎ নীনি চুপ্পা চথুগদবা সেমিনর হৌদোকপগী থৌরম ঙসি অহানবা মণিপুর রাইফলসকী বক্ষিট হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা মণিপুর লেজিসলেটিব এসেম্ব্লীগী স্পীকর য়ুম্নাম খেমচান্দনা চীফ গেষ্ট অমসুং কলচরেল ফোরম মণিপুরগী প্রসিদেন্ট প্রো. হুইরেম বেহারিনা প্রসিদেন্ট ওইখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা স্পীকর য়ুম্নাম খেমচান্দনা হায়খি, সোসিএল পোলিটিকেল ইস্যু খক্তা নৈনবা তারগদি মণিপুর অসি লোয়রে হায়বা ৱাফম থমজনিংই। মরমদি, ইলেক্সনগী মতম লাকপদা এসেম্ব্লী কন্সটিট্যুয়েন্সি অদুগী নৎত্রগা ষ্টেটকী থবক থৌরমশিং তৌবা ঙমগদবা মী থিগদবগী মহুত্তা শেল খ্বায়দগী পায়বা মীওই থিরকপা অসিনা খুন্নাই অসি হিরম খুদিংমক্তা শোথনবগী মরম অমা ওইহল্লে।

খুন্নাই অসিদা পোলিটিকেল কন্সেসনেস অমা লৈহন্নবা হোৎনবদা খোরিরোলগী মরমদা কলচরেল ফোরম অমদি অতৈ অতৈ তোঙানবা খুন্নাই অসিগী মীওই কয়ানা হৌবগী মতম ওইরব্রা হায়নিংই।

খুন্নাই অসি অশেং অশেংবা খরা হায়দোক্লবা মতম ওইরে। থা অসিগী ১ দা শিন্নমীশিংগী নুমিৎ হায়দুনা থৌরম পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা ৱাঙাংলোই ওইখিবা খুদিংমক্না পোলিটিসিয়নশিংবু চৈবা অসি ঐহাকসু ঙাইহাক ৱারৌরম্বদগী নোক্লগা তাই। হৌজিক মতমগী পোলিটিসিয়নশিং অসি মমাংঙৈদগী হোংলে। ফোঙনা ঙাঙদবা, চৈদবা য়াদ্রে। শিন্নমীশিং লোইনা ফত্তবা তৌই হায়বদি লানগনি। শিন্নমী খরনা অরানবা তৌরগা পুম্নমকপু লান্না খনবা চুপ্লোই। অসিগুম্বা ফিভম অসি মণিপুরগী শেন্নমীৎলোন ফত্তবনা মরম ওইদুনা থোকহল্লকপনি হায়না ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুগী প্রসিদেন্ট ওইখিবা প্রো. হুইরেম বেহারিনা হায়খি, ফোকলোর হায়বা অসি নাৎকী শরুক অমনি। ইশা ইশাগী আইদেন্টিটি খঙগে হায়রবদি অহানবদা ইশাগী নাৎ হান্না নীংথিজনা খঙবা তঙায়ফদে। ওরেল লিটরেচর, ফোক লিটরেচরশিং অসি মুন্না খঙদবা য়াদে। ইন্দিয়াগী কলচরগী ওইরিবা ফিভম অসি য়েংলুবা মতমদা গান্ধীসু অচুম্বনি হায়, সিতাসু অচুম্বনি হায়। অসুম্না তৌদুনা ইন্টরপ্রিটেসনদা সাইকোলোজিকেল ইন্টরপ্রিট তৌরক্লিবা অসি বেকদোর পোলিসি চঙবরা হায়বগী চিংনবা লৈরে হায়না ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুগী নুংগী ৱারোল পীরদুনা মণিপুর লেঙ্গুয়েজ এদভাইজরি বোর্দ, সাহিত্য একাদেমী ন্যু দিল্লিগী কনভিনর নোংমাইথেম কিরনকুমারনা হায়খি, খুন্নাই অসিদা লৈরিবা মীওইশিং অসিনা খোরিরোলগী খোঙচৎ অসি লেপ্পা লৈতনা হোংহল্লিবনি অমসুং হোংদুনসু অদুমক লৈগনি। ফুরুপ অমা ওইনা লৈতবা মতমদা খুন্নাই অদুসু মাঙখিবা য়াই অদুবু খোরিরোলদি অদুমক লৈহৌগনি। খুন্নাই অসিদা করম্বা মশক্লা ঈথিল পীরবগে হায়বগী মরিদা দাইনামিক ওফ কনটেম্পরি মণিপুরী লিটরেচর হায়বা অসিদা সেমিনর অসি পাঙথোকপনি হায়না লৌই।

ঙসিগী থৌরম অদুগা মরী লৈননা সাহিত্য একাদেমী এৱার্দ ফঙলবা বংলা অইবা নাওরেম বিদ্যাসাগরনা মণিপুরীদা হন্দোকপা *অঙৌবা চিঠি খাউ* হায়রিবা লাইরিক অসিসু ফোঙখি। নুমিৎ নীনি চথুগদৌরিবা সেমিনর অসিদা মীওই ১৩ না তোঙান তোঙানবা হিরমদা চেপাথোক্কনি হায়রি।

## হো-চি-মিনগী ১২৮ শুবা মপোক নুমিৎকী থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ১৯ (ঐচএনএস) ঃ

দেমোক্রেটিক রিপব্লিক ওফ ভিয়েটনাম (নোর্থ ভিয়েটনাম) গী অহানবা প্রাইম মিনিষ্টর ওইরম্বা ভিয়েটনামিজ কম্যুনিষ্ট লুচিংবা হো-চি-মিনগী ১২৮ শুবা মপোক কুমওনগী থৌরম ঙসি ওল ইন্দিয়া পীছ এন্দ সোলিদরিটিজ মণিপুর ষ্টেট কাউন্সিলনা শীন্দুনা থৌবালগী ক্ষেত্রি শঙলেনদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা এ আই পি এস ওগী নেসনল ভাইস প্রসিদেন্ট ডা. নরা, এ আই পি এস ওগী সেক্রেটরি এল সদানন্দ, সী পি আই মণিপুরগী সেক্রেটরি এল সোটিনকুমার অমসুং কেএসএঐচ শান্তনচিংবনা প্রসিদিয়ম মেম্বরশিং ওইখি।

থৌরম অদুগী ৱাহৌদোক পীরদুনা সী পি আই মণিপুরগী সেক্রেটরি এল সোটিনকুমারনা হায়খি, হো-চি-মিন্না মরৈবাকপু নুংশিজবা, মীওইবগী রাইট য়োকখৎপা পামজবা অমদি ভিয়েটনামবু মনিং তম্বা লৈবাক অমা ওইনবা হোৎনবদা শীংথানিংঙাই ওইবা থৌনা অদুবু ইকায়খুম্নবা উৎপা ওইনা থৌরম অসি ইন্দিয়া শীনবা থুংনা ওল ইন্দিয়া পীছ এন্দ সোলিদরিটিনা পাঙথোক্লবা খঙহল্লকপগা লোয়ননা মণিপুর দসু থৌরম অসি পাঙথোকপনি।

এ আই পি এস ওগী নেসনল ভাইস প্রসিদেন্টসু ওইরিবা ডা. নরানা হায়খি, ভিয়েটনামগী রিভোলুসন মমাং অমদি মতুংগী ৱারী অসি ঐখোয়গী অৱাং নোংপোক লমদম অসিগা য়াম্না মান্নবা লৈ। নহা ওইরিবা কয়া ভিয়েটনামদা কলচরেল একচেঞ্জগী মীংদা চৎতুনা হো-চি-মিনগী মরমদা খঙননবা এ আই পি এস ওগী মায়কৈদগী শীননবা পান্দম থল্লি হায়না ফোঙদোকপগা লোয়ননা হো-চি-মিনগী পুন্সি ৱারী অমদি মহাক্না নীংখা তম্বা ভিয়েটনাম অমা ওইহন্নবগীদমক কথোকখিবন-চিংবা অদু মীয়ামদা পাউদমখি।

## নুমিৎ ১০ নি চুপ্পা চথুগদবা লিগেল সর্ভিসেসকী মীফম হৌদোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ১৯ (ঐচএনএস) ঃ

নেসনল লিগেল সর্ভিসেস ওথোরিটিগী পাউতাক মতুংইন্না মণিপুর ষ্টেট লিগেল সর্ভিসেস ওথোরিটিগা দিষ্ট্রিক্ট লিগেল সর্ভিসেস ওথোরিটিগা খুৎশম্নদুনা নুমিৎ তরানিগী ওইবা ইনহাঙ্গিং লিগেল সর্ভিসেস টু ৱুমেন ইনমেটস এন্দ দিয়র একোপিনিইং চিলদ্রেন ইন প্রিজন্স হায়বা কেম্প্যেন অমা হৌদোকখ্রে।

মণিপুর সেন্ত্রেল জেল ইম্ফালদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা দিষ্ট্রিক্ট লিগেল সর্ভিসেস ওথোরিটিগী চ্যেয়রমেন/সেক্রেটরি, ওজেস মুতুম, এদিস্নেল মেম্বর সেক্রেটরি, এ তরুনাকুমারি দেপ্যুটি মেম্বর সেক্রেটরি এম এ এস এল এস এ, এ কুঞ্জকিশ্বর সুপরিন্টেন্দেন্ট মণিপুর পুলিস সেন্ত্রেল জেল ইম্ফাল, জেলগী ওফিসলশিং, পেনাল লোয়রশিং, লিগেল ভলুন্টিয়রশিং অমদি মণিপুর সেন্ত্রেল জেল, ইম্ফালদা লৈরিবা ইনমেটসশিং অমসুং ষ্টাফশিংনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা জেলগী নুপী ইনমেটসশিংনা লিগেল এইদ ফঙনবা লোগী মরমদা খঙবা তঙায়ফদবা, ইনমেটসশিংগী হেল্ঠ চেকঅপ অমদি হিদাক লাংথক্লচিংবা ফঙহন্নবগী মতাংদসু অখঙ অহৈ কয়ানা ৱা ঙাংখি। মরুওইনা নুপীশিংগী পর্সনেল হাইজিন অমদি লৌনগনবা লায়নাদগী করম্না চেকশিনগনি অমসুং অঙাং অমদি নুপীশিংদা তঙায়ফদনা পীজ পীথক তৌগদবা পোৎলমশিং, এদ্যুকেস্নেল এন্দ ভোকেস্নেল স্কীলশিংগী মরমদা থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবা অখঙ অহৈ কয়ানা ৱা ঙাংখি হায়রি।

## 'হোম গার্দ পার্সনেলশিংগী ফংফম থোকপশিং ফংহনবীয়ু'

ইম্ফাল, মে ১৯ (ঐচ এন এস):

হোম গার্দ পার্সনেলশিংগী ফংফম থোকপা দ্যুটি এলাৱেন্সকী শেনফম পীবীনবা অমদি হোম গার্দ ওর্গনাইজেসনগী থবকশিং চুমথোকপীনবা লৈঙাক্লা মীৎয়েং চঙবীয়ু হায়না মণিপুর হোম গার্দ ইমপ্লোয়ী ৱেলফ্যের এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট ৱাই মঙ্গিনা পাউমীশিংগা উনবদা ফোঙদোকখ্রে।

মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাউমীশিংগা উনবদা এসোসিএসনগী প্রসিদেন্ট ৱাই মঙ্গিনা হায়খি, সুপ্রিম কোর্টকী মিনিমম ওফ পেগী ৱাহন্থোক্তা হোম গার্দশিংগী ফংফম থোকপশিং ফংহনবীনবা হায়জদুনা লাক্লি। মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফ্যেয়র্সকীসু সুপ্রিম কোর্টকী জজমেন্ট অদু থবক্তা ওন্থোক্লুবা হায়রকখ্রে। তাঞ্জা অসিদা হোম দিপার্টমেন্টকী ওফিসলশিংনা অচুম্বা লোৎশিন্দুনা থল্লগা নাথৈনবা থবক চথবা মানবা থৌওং তৌবীরগনু। হোম গার্দ পার্সনেলশিংবু এনকরেজ তৌবীয়ু। এক্ট অমদি রুলগী মতুংইন্না তোঙানবা ওফিসরশিংদা মতমগা চানবা রেঙ্ক পে য়াওনা পীবীয়ু। হোম গার্দ ওর্গনাইজেসন অসিগী মওং-মরিল তাদবা কয়া অসি চুমথোকপীনবা হায়জদুনা লাক্লি। ঙসি ফাওবা তাবীবা লৈতে।

বট্টালিয়ন কম্মান্দরনি হায়বা খরনা ওফিসল খরগা মান্নরগা হোম গার্দ ওর্গনাইজেসনগী এদমিনিষ্ট্রেসন ওন্থোকপা মওংদা চথুরিবসি লেপহনবীয়ু। হোম গার্দশিংগী ফংফম থোকপা দ্যুটি এলাৱেন্সকী শেনফম পীবীয়ু। হোম গার্দ ওর্গনাইজেসনগী ষ্ট্রিমলাইনগী থবক অসি তুংগী নহাশিংগীদমক খল্লগা চুমথোকপীবা হায়বসি এসোসিএসন অসিগী অমদি হোম গার্দ পার্সনেলশিংগী অপাম্বনি। চীফ মিনিষ্টরনা অখন্নবা মীৎয়েং চঙবীয়ু। হোম গার্দ পার্সনেলশিংগী ফংফম থোকপা দ্যুটি এলাৱেন্সকী শেনফম পীবীদুনা অমদি হোম গার্দ ওর্গনাইজেসনগী থবকশিং চুমথোকপীনবা লৈঙাক্লা মীৎয়েং চঙবীয়ু হায়না ফোঙদোকখি।

## মরু কোকথোক্লগা থাদোরকপগী থৌওং য়ানিংদে: সোটিনকুমার

ইম্ফাল, মে ১৯ (ঐচএনএস) ঃ

লৈঙাক্লা টন মঙাগী মখাদা লৈবা দিজল পেসেঞ্জর গাড়ীশিং ইম্ফাল সিটি মনুংদা চঙবদা অথিংবা থমগনি হায়না ফোঙদোকখিবা ৱাফম অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা পুং ৪৮ চুপ্পা চঙশিনখিবা খোঙজংগা মরী লৈননা ফাজিনখিবা দ্রাইভর তরুকপু পুলিসনা মরু কোকথোক্লগা থাদোরকপা হায়বসি মীওইবগী হৌন লোনচৎ য়াওদবা লৈঙাক্কী শাজৎনি হায়না ওল ইন্দিয়া ত্রেদ য়ুনিয়ন কোংগ্রেস মণিপুরগী জেনরেল সেক্রেটরি এল সোটিনকুমারনা ফোঙদোরক্লি।

মতম শাংনা ওটোরিক্সো দ্রাইভরনা দেমোক্রেটিক ওইবা ঈহৌ কয়া চঙশিন্দুনা মখোয়গী শীনফমদা লৈঙাক্লা কাহেন্না অয়েৎপা পীদনবা ৱাফম কয়া পুখৎখিবা অদু লৈঙাক্লা তাবিরক্তবদগী তঙায়ফদনা কৌখিবা নুমিৎ নীনিগী অকনবা খোঙজং অদুগী পাউখুম ওইনা শিন্নমী লুচিংবশিংবু ফাজিল্লগা ওৎ নৈবগী থবক অসি য়াম্না অনদেমোক্রেটিক ওইবা অমদি লৈঙাক অসিগী দিটেক্তর ওইবগী শাজৎ অদু উৎথোকপনি হায়না লৌই হায়রি।

লৈঙাক অসিনা মথং মথং চথুরক্লিবা মীওইবগী রাইট খোঙ্গাওনবগী থৌশিলগী মনুংদা হন্দক্কী থৌদোক অসিদা চেন্নরিবা পুলিসশিং অদু এক্সন অমত্তা লৌখৎতনা লৈরিবা অসি লৈঙাক অসিগী মকোক থোংবশিংগী য়াথং মখাদা চথুবা থৌওং ওইরমগনি হায়না লৌফম থোকই। মরম অদুনা থৌদোক অসিদা চেন্নবশিং অথুবা মতমদা এক্সন লৌখৎত্রবদি লোয়ননা শিন্নমীশিংগী দিমান্দ পীবীদ্রবদি খোঙজং চঙশিল্লগনি হায়রি।

## ৱিমেন ইম্পাৱরগী নেসনল সেমিনার লোইশিনখ্রে

ইম্ফাল, মে ১৯ (ঐচ এন এস): নেসনল হ্যুমেন রাইটস কমিসন অমদি মণিপুর য়ুনিভর্সিটিনা শীন্দুনা য়ুনিভর্সিটি অসিগী কোর্ট হোলদা পাঙথোরকখিবা নুমিৎ নীনিগী ওইবা নেসনল সেমিনার ঙসি লোইশিনখ্রে।

ৱিমেন ইম্পাৱরমেন্ট এন্দ হ্যুমেন রাইটস ৱিথ স্পেসল রিফরেন্স টু নোর্থ ইষ্ট হায়বা হীরমদা চথুখিবা সেমিনার অদু লোইশিনবগী থৌরমদা জষ্টিশ এন কোটিশ্বরনা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়াখি। মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ভাইস চাঞ্চেল্লর প্রো. অদ্য প্রসাদ পান্দেনা প্রসিদেন্ট ওইখি। এন ঐচ আর সীগী এসিষ্টেন্ট দিরেক্টর ডো. এস কে সুক্লা, সেন্টর ফোর হ্যুমেন রাইটস এন্দ দ্যুটিজ এদ্যুকেসন, এম য়ুগী দিরেক্টর প্রো. এন লোকেন্দ্রসু শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা চীফ গেষ্টকী ৱারোল পীরদুনা জষ্টিশ এন কোটিশ্বরনা হায়খি, মণিপুর য়ুনিভর্সিটি অসি ৱাখল্লোন কয়া পুথোকপা মফম অমনি। য়ুনিভর্সিটি অসিনা ৱাখল লৌশিং কয়া খুন্নাই অসিগীদমক পুথোক্লি হায়নসু ফোঙদোকখি। কন্সটিট্যুসন ওফ ইন্দিয়াগী প্রিএম্বল, রাইট, দ্যুটিনচিংবগী মতাংদসু ৱাফম কয়া থমখি।

থৌরম অদুদা প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়ারদুনা এম য়ুগী ভাইস চাঞ্চেল্লর প্রো. অদ্য প্রসাদ পান্দেনা হায়খি, জেন্দর দিস্ক্রিমিনেসনগী দিবেট অসি মতম কয়াগী মমাংদগী চথদুনা লাক্লি। হীরম অসিগী মতাংদা এৱ্যেরনেস প্রোগ্রাম অমদি সেমিনারনচিংবা কয়াসু পাঙথোকপা লৈখ্রে। অদুবু, খুন্নাই অসিদা নুপী-অঙাংগী মায়োক্তা কা হেনবা থবক চথবগী ইস্যু অসি অদুমক লৈরি। হীরম অসিগী মতাংদা নীংথিনা এৱ্যেরনেস লৈবা তঙাইফদে হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা প্রো. এন লোকেন্দ্রনা সেমিনারগী রিপোর্ট পুথোকখি। নুমিৎ নীনিগী ওইবা সেমিনার অসিদা পেপর ২৬ লোম প্রজেন্ট তৌখি। সেমিনার লোইশিনবগী থৌরম অদুদা এম য়ুগী সেন্টর ফোর হ্যুমেন রাইটস এন্দ ন্যুটি এদ্যুকেসনগী ডো. সুরেশ কুমারনা থাগৎ ৱাহৈ থমখি হায়নসু মখা তারি।

## রামজানগী য়াইফ-পাউজেল পীনরক্লি

ইম্ফাল, মে ১৯ (ঐচ এন এস):

রামজানগী শেংলবা থা অসিগা মরী লৈননা য়ুনাইটেদ কম্মিটি মণিপুর (য়ু সী এম) অমসুং শিব সেনা মণিপুর ষ্টেটনা মুস্লমান ইচিল-ইনাও পুম্নমক্তা য়াইফ পাউজেল পীনরক্লি।

য়ু সী এমগী প্রসিদেন্ট সুনিল করামনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, মণিপুরদা ইস্লাম লাইনিং চৎলিবা মীতৈ-পাঙলশিংগী শেংলবা রামজান থানা লাকপদা লাইনিং অসিদা চেৎনা থাজরিবা মীতৈ-পাঙল ইচিল-ইনাওশিংদা য়াইফ পাউজেল পীজরি।

থা ১ চুপ্পা চরা হেন্দুনা তাইবং মপু অল্লাহগী য়াথং ইন্দুনা ইশা-ইশাগী ইথৌদাং পাঙথোক্কদৌরিবা মীতৈ-পাঙল ইচিল-ইনাওশিংনা চোকথবা লৈতনা পন্থুং য়ৌবা ঙম্বা ওইবীয়ু হায়না মপুগী মফমদা থৌনিজরি হায়রি। মতিক মগুন লৈবা থা অসিনা লাকপদা লমদম অসিদা পুন্না খুন্দা লৈতামিন্নরিবা কাঙলুপ খুদিংমক্কী খেন্নবা ৱাখল্লোনশিং থাদোক্লদুনা নুংশি-চান্নমা, মান্নবা, চাউখৎপা অপূনবা খুন্নাই অমা পুরকপা ঙমহনবীনবা অমসুং লংজখিবা ইরাল পুম্বা কোকপীনবা তাইবং মপু অল্লাহগী মফমদা থৌনিজরি হায়রি।

অমরোমদা, শিব সেনা মণিপুর ষ্টেটকী য়ুব সেনাগী জেনরেল সেক্রেটরি (এদমিনিষ্ট্রেসন) এন য়ুগিশনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, রামজানগী শেংলবা থা অসিনা লাকপদা মণিপুরগী মীয়ামদা থোইদোক হেন্দোক্লা ষ্টেট অসিদা লৈরিবা মুস্লিম ফুরুপকী মীয়ামদা য়াইফ পাউজেল পীজরি। রামজান হায়বসি মুস্লিমশিংগী খ্বাইদগী মরুওইবা কুম্মৈশিংনি। মসি ইস্লামগী লুনর কেলেন্দরগী ৯ শুবা থাদা পাঙথোকপনি। মালেমদা লৈরিবা মুস্লিমশিংনা থা ১ চরা অয়ুক-নুংথিলগী মতমদা চাবা-থকপা অমত্তা তৌদনা মখোয়গী থৱায়বু শেংদোকপা অমদি অরানবা তৌখিবশিং অদুবু ঙাকপীনবা অল্লাহগী মফমদা কথোকপনি। অশেংবা থা অসিনা লাকপদা পুম্নমক্তা ঈং-তপ্পা অমসুং ৱাত্তা-পাদবা পুরকপা ওইরসনু হায়না চেরোল অদুনা মখা তারি।

HUEIYEN LANPAO

## এৱ্যেরনেস প্রোগ্রাম পাঙথোকখ্রে

জিরিবাম, মে ১৯ (ঐচ এন এস):

জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টকা থংনরিবা তমেংলোং দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা তৌসেম সব-দিভিজনগী ফাইতোলদা ঙসি দিপার্টমেন্ট ওফ রিলিফ এন্দ দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট, গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুরনা শীন্দুনা আর দি এন্দ দি এম, এস দি এম এ, ফোরেষ্ট দিপার্টমেন্ট, পি দল্লিয়ু দি মণিপুরনা শীন্দুনা ট্রেনিং প্রোগ্রাম অমা পাঙথোকখ্রে।

দিজাষ্টর মেনেজমেন্টগী ওইনা জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টকী এ দি সী মেম্বরশিং, হেদ মেন, কম্যুনিটি লিদর, দি সীশিংগী ষ্টাফ, এন জি ওশিং, সী পি ওশিংগী ওইনা ঙরাং পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা এম প্রিয়োকুমার, ফাউন্দর, সোসল ৱেলফ্যের সার্ভিস এসোসিএসন, পি এম থাংগা, চ্যেরমেন, ফাইতোল, ও অচৌবা, সব টিম কম্মান্দর, এস দি আর এফ, বোইসি, প্রসিদেন্ট, ৱুমেন এসোসিএসন্না মথংশিংনা চীফ গেষ্ট, প্রসিদেন্ট অমসুং গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়াখি।

পাঙথোক্লিবা প্রোগ্রাম অসি ও অচৌবা, সব টিম কম্মান্দর, এস দি আর এফনা লুচিংবা টিমনা ট্রেনিং কম এৱ্যেরনেস প্রোগ্রাম ওন দিজাষ্টর মেনেজমেন্ট হায়বা হিরম অসিগা মরী লৈননা ট্রেনিং পীখি। ট্রেনিং অসিদা মীওই ২১০ রোম্না শরুক য়াখি।

থৌরম অদুগী চীফ গেষ্ট ওইখিবা এম প্রিয়োকুমারনা হায়খি, মফম অসিদা পাঙথোক্লিবা ট্রেনিং অসিদা শরুক য়ারিবা মীওইশিংদা য়াম্না কান্নবা পীরগনি। মসিনা মরুওইনা মহৌশানা থোকহনবা থৌদোকশিংদগী মতৌ করম্না ঐখোয়না ঙাকথোক্কদগে অমদি ঐখোয়গী অকোয়বদা থোক্লকপা খুদোংথিবশিংদগী খজিক্তং ওইরবসু মতৌ করম্না কনবা ঙমগনি হায়বদু খঙবা ঙল্লগনি। প্রোগ্রাম অসিদা শরুক য়ারিবা মীওইশিংনা য়ুম য়ুমদা হনখ্রবা মতুংদা থৌরম অসিদা ফংখিবা কান্নবা কয়া অদু ইশা ইশাগী ইমুং-মনুংশিংদা খঙহনবীয়ু হায়বা ৱাফমসু মখা তানা ফোঙদোকখি।

প্রসিদেন্টগী ৱারোল পীরদুনা ও অচৌবনা হায়খি, ট্রেনিং প্রোগ্রাম অসিগুম্বা কান্নরবা প্রোগ্রাম কয়ামরুম লাকপদা ঐখোয়না মতম পুম্বদা শরুক য়ানবা হোৎনগদবনি। মসিদগী ঐখোয়না কান্নবা কয়া ফংহল্লিবনি। ঙসিগী থৌরম অসিদা ঐখোয়না খঙহৌদনা থোক্লকপা থৌদোক কয়াশিংদগী ইশাবু করি করম্না ঙাকথোক্কদৌরিবনো হায়বদুতা নত্তনা অতোপ্পা মীওইশিংবুসু করম্না কনবীগদৌরিবনো হায়নসু মখা তানা ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুগী রিছোর্স পার্সন ওইনা শরুক য়াখিবা ও রতন, সিবিল দিফেন্স ইনষ্ট্রক্টরনা য়ুহা হাবা মতমদা অশোয় অঙাম থোক্তনবা করম্বা চেকশিন থৌরাং লৌখৎকনি হায়বগী মরমদা মচা খায়না ঙাঙখি। ও অচৌবা, সব টিম কম্মান্দরনা কার্দিও পলমোনরি রিসস সাইটেসন, ফায়র ট্রান্সপোর্ট অমদি ট্রাইঙ্গুল্লর বেন্দেজগী মতাংদা মীয়ামদা ৱা ঙাঙখি। চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা অসিনা করি করিদা কান্নৈ অমদি করম হায়না মী অমবু খুদোংথিবগী কনবীবা য়াই অমদি অশোকপা মীওই অমবু করম্না থাংদুনা পুগনি। গ্যাস মৈ হৌরকপদা চেন্থোকপগী মহুত্তা কা হেন্না চাক্ত্রিঙৈদা করি পাম্বৈ তৌদুনা মুথৎকনি হায়বনচিংবগী মতাংদা ৱাফম কয়াসু ফোঙদোকখি।

## 'মরু কোকপা দেমোক্রেসিবু খোঙ্গোয়নবনি'

ইম্ফাল, মে ১৯ (ঐচ এন এস): ঈহৌ চঙশিনবা শিন্নমীশিংবু ফারবা মতুংদা মরু কোকথোক্তুনা খোঙগোয়নবা হায়বসি খ্বায়দগী চাউখৎতবা লৈঙাক্কী মতৌনি। শিন্নমীশিং অদু মরু কোকপা নত্তে। থৌওং অসিদি দেমোক্রেসিবু খোঙ্গোয়নবনি হায়না মণিপুর প্রোলেটেরিয়েট পীপলস দেমোক্রেটিক য়ুনিয়ন্না ফোঙদোরক্লি।

মণিপুর প্রোলেটরিয়েট পীপলস দেমোক্রেটিক য়ুনিয়নগী জেনরেল সেক্রেটরি এস সমানন্দনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, মীওই অমবু ফারগা মরু কোকপা হায়বসি হ্যুমেন রাইটসপু খোঙ্গাওনবনি। লৈঙাক অসিনা চথুরিবা থৌওং অসি ৱাখল্লোন মথোং হুক্তবগী থৌওংনি। থৌওং অসিবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্লি। অসিগুম্বা য়াম্না হন্থবা থাক্কী থৌওং অসিদা চেন্নবা পুলিস পর্সনেলশিং অদুগী মথক্তা লৈঙাক্লা এক্সন লৌখৎকদবনি।

নোংমগী চারা তাল্লগা হিংজরিবা শিন্নমীশিংবু মতু শোনবা, মীচং লৈজদবা কাঙলুপনি হায়না উশিং থৌওইদবগী থৌওং অসি মীয়াম্নসু য়ানিংদবা ফোঙদোকপীয়ু। লায়রবা লৌমী শিন্নমী মীয়াম্না হৌখিবা চহী কয়া অসিদা তুহৎপীবা অমদি নমথবিবগী অৱাবা নত্তনা করিসু ফঙবা লৈত্রি। ঙসিদি লায়রবা লৌমী অমদি শিন্নমীশিং অমত্তা ওইনা পুনশিন্দুনা মপাঙ্গল কনবা লৌমী শিন্নমীকাঙলুপ অমা ওইনবা ঐখোয় মাঙলোমদা চঙশিনবা হৌরসি। লায়রবা লৌমী শিন্নমী মীয়ামগীদমক মতম পুম্নমক্তা লেপকনি হায়রি।

অমরোমদা, নোংলাইখং ট্রান্সপোর্ট য়ুনিয়নগী প্রসিদেন্ট দিনেশ্বর মোংশাবনা থোকপা চেরোল অমনা ফাজিনখিবা দ্রাইভরশিংগী মনুংদা দ্রাইভর নিপানবু মরু কোকথোক্লগা বি আর বোন্দদা থাদোরকপগী থৌওংবু য়ানিংদবা ফোঙদোরক্লি।

মীয়াম্না থাগৎপা মীহুৎনা শেম্বা লৈঙাক্লি। মীয়ামগী ৱা তাবিদ্রবা গভর্নমেন্টকী মায়োক্তা ৱা ঙাংবা য়ারোই হায়রবদি দেমোক্রেসিবু খোঙ্গাওনবা নৎত্রবরা হংলক্লি। দ্রাইভরশিং মরু কোকথোক্লগা ৱাথোক লোয়শিনবা য়াগদ্রা হায়না ফোঙদোরক্লি। দ্রাইভরশিংবু নমদুন মরু কোকথোকপা হায়বা অসিমক মীওই অদুগী ইকায়খুম্নবা মাঙহনবনি হায়না য়ানিংদবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা বিজে পিগী লৈঙাক লাকপদগী ভি আই পি কলচর লৈররোই, মীপুম খুদিংমক চপ মান্নবা থাক্তা থমগনি হায়বদু মসিরা।

মে থাগী ১ বু মে দে হায়দুনা লৈঙাক্লা ছুটি থাদোক্তুনা শিন্নমীশিংগী নুমিৎনি হায়দুনা থৌরম পাঙথোক্তুনা শিন্নমীশিংবু ইকায়খুম্নখিবগী ৱাহন্থোক করিনো হায়রি। অদুগুম্বা দ্রাইভর মরু কোকপগী থৌদোক অদু কনানা ওর্দর তৌখিবনো হায়না হংলক্লি।

থৌদোক অসিদা চেন্নরিবা ৱাথোক চাউহন্নবা হোৎনরিবা মীওইশিংবু মতিক চাবা চৈরাক পীদুনা দেমোক্রেসিবু মশক থোকহনবা চুমগনি। খোইশাওনরবা দ্রাইভরশিংনা গাড়ী থৌবা মপুং ফানা লেপখ্রগনা কমদৌবা হায়বা অদুসু খন্থবীয়ু। নাকল অনীমক্কী ওইনা ৱারী শানদুনা লৈবাক্কী ফগদবা, মীয়ামগী নুংঙাইগদবা লন্বীদা চঙশিনমিন্নসি হায়বা ৱাফম ফোঙদোরক্লি।

## ষ্টেট লেবেল ৱাটর মেলন ফেষ্টিবেল

ইম্ফাল, মে ১৯ (ঐচ এন এস):

ওর্গনাইজিং কম্মিটি মণিপুর ষ্টেট লেবেল ৱাটর মেলন ফেষ্টিবেল ২০১৮ না শীন্দুনা মণিপুরদা টর্বুজ থারিবা লৌমীশিংনা পুথোকপা টর্বুজশিং অরায়বা মওংদা য়োন্নবা অমদি য়োকখৎনবগী পান্দমদা থা অসিগী ২৬ তগী জুন ৫ ফাওবা লম্বোই খোঙনাংখোংদা ষ্টেট লেবেল ৱাটর মেলন ফেষ্টিবেল ২০১৮ পাঙথোক্লগনি হায়রি।

ফেষ্টিবেল অসিগী কনভিনর সৈলেস অঙোমনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, সেব দি ফার্মরস ওফ মণিপুর টুরাইজ দি ইকনমিক ওফ মণিপুর হায়বা থিমদা পাঙথোক্কদৌরিবা ফেষ্টিবেল অসিদা তোঙান তোঙানবা ফুট ষ্টোলশিং, বিভরেজ ষ্টোলশিং অমদি অতোপ্পা আইটেম কয়ামরুমগী ষ্টোল হাংদোক্কনি। ফেষ্টিবেল অসি মেগী অহানবা চয়োলদা পাঙথোক্লবা পান্দম থল্লুবনি অমদি খুদোংচাদবা খরদগী মতম খরা য়ৈথোক্লুরবা মতুংদা পাঙথোক্কদৌরিবনি হায়রি।

ফেষ্টিবেল অসিদা ব্যুটি কন্টেষ্ট, ফেসন শো, ম্যুজিকেল কন্সর্ট, থিয়েটর ফেষ্টিবেল অমদি নাৎকা মরী লৈনা কলচরেল প্রোগ্রামশিং উৎতুনা চীং অমদি তমদা খুন্দামিন্নরিবশিংবু অমত্তা ওইনা নুংশি চান্নরা লৈমিন্নরম্মী হায়বদু ফেষ্টিবেল অসিনা পাউজেল ওইহল্লগনি। ফেষ্টিবেল অসিগী মনুং চন্না নুংথিল পুং ২ দগী নুমিদাং পুং ৮ ফাওবা কলচরেল প্রোগ্রাম কয়া উৎকনি।

ফেষ্টিবেল অসিদা শরুক য়াগদৌরিবা কলচরেল ক্রুপশিংদা ওর্গনাইজিং কম্মিটিগী মায়কৈদগী ময়াম্না পীনবা চাংদা অঙম্বা শেনফম খরা পীজগনি। পীগদৌরিবা শেনফম অসিদা মীয়াম্না য়াম্মী নৎত্রগা য়ামদে হায়বগী নুংঙাইতবা তৌবীগনু হায়রি।

ফেষ্টিবেল অসিনা মণিপুরদা খুন্দামিন্নরিবা ফুরুপ কয়াবু য়োকখৎতুনা অমদি কন্দুনা থম্বদা মতেং ওইরগনি। ফেষ্টিবেল অসিগা মরী লৈননা মীস ৱাটর মেলন ক্বীন কন্টেষ্টকী অথোয় অহেন চাংদম্নবগী থৌরম অমসু য়াওহনগনি হায়রি।

## এম এস এফকী মীহুৎশিং ত্রিপুরাদা খোঙশাল্লগনি: অচোম বিনোদ

ইম্ফাল, মে ১৯ (ঐচ এন এস):

মণিপুরী ষ্টুদেন্টস ফেদরেসন (এম এস এফ) না থা অসিগী ২১ দা ওল ত্রিপুরা ইন্দিজিনস ষ্টুদেন্টস এসোসিএসন ৱেষ্ট ত্রিপুরাদা লৈবা খুমুল ৱাম ন্যুৱাই ওদিটোরিয়মদা পাঙথোক্কদৌরিবা তরেৎশুবা ফাউন্দসন দেগী থৌরমগা লোয়নবা রেল্লিদা ফেদরেসন অসিগী প্রসিদেন্টসু ওইরিবা জে এস সী সীগী কনভেনর ঙারিয়াম্বম মিলন অমদি লূপ অসিগী এক্সটর্নেল এফ্যেরসকী থৌগাই পুরিবা মাইবম জুলেসসু খোঙচৎ অসিদা শরুক য়াগনি হায়রি।

এম এস এফকী এসিষ্টেন্ট পব্লিসিটি সেক্রেটরি অচোম বিনোদনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, হায়রিবা থৌরম অসিগা মরী লৈননা অৱাং নোংপোক চিদাইদা খুন্দা-লৈতারিবা তোঙান তোঙানবা য়েলহৌমী ফুরুপশিংগী অপূনবা শক্তম অমা শাগৎনবা হোৎনবদা নত্তনা মান্নবা ৱাখল্লোন অমদি মান্নবা মীৎয়েংদা মখা তানা থবক থৌরমশিং তৌমিন্নবগী তাঞ্জা থৌরম অসিগা মরী লৈননা লৌরক্কনি। মসিগা লোয়ননা ত্রিপুরাদা লৈরিবা মণিপুরীশিংনা খুন্দা-লৈতাদুনা লৈরিবা খুল কয়াদসু চঙদুনা মণিপুরীশিংগা লোয়ননা থবক তৌমিন্ননবগী লম্বী য়াৎপদা নত্তনা ত্রিপুরাগী মণিপুরীগী মহৈরোয়শিংগী অপূনবা লূপ ওইরিবা ত্রিপুরা মণিপুরী ষ্টুদেন্টস য়ুথ কোওর্দিনেসন কম্মিটিগা অখন্নবা হিরম খরদা ৱারী শানদুনা মখা তানা মণিপুরী দাইস্পোরাশিংনা ত্রিপুরাদা থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং ৱাখৈনবা হোৎননবা খোঙজংশিং চঙশিল্লগনি হায়রি।


লোয়ননা হেন্না অচেৎপা মরী থম্নবা হোৎনগনি। চৎলিবা খোঙচৎ অসিদগী হৌনা এম এস এফকী ঐখোয়গী খুন্নাই খঙমিন্নসি হায়বা কেম্প্যেন অসি মপুং ফানা চঙশিনবা হৌবগী পরম অমা য়াৎকনি। কেম্প্যেন অসিনা মণিপুরীশিংনা খুন্দারিবা মালেমগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা কোয়না চৎতুনা এম এস এফকী পাউজেল য়েংগনি অমদি মশক থোকপা মণিপুরী অমমম ওইরক্লুবা হোৎনবদা মতেং পাংগনি হায়না চেরোল অদুনা মখা তারি।

## মশা লোয়শঙ হাঙদোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ১৯ (ঐচ এন এস):

নোংচুপ ইম্ফাল পলেম ইমা অপুনবা লুপ (নিম্পাল) গী প্রসিদেন্ট টিঐচ ইবেয়াইমা, লাঙ্গোল ৱুমেন দিভলপমেন্টগী আর কে কিরন অনীনা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইদুনা থা অসিগী ১৬ কী নুংথিলদা লাঙ্গোল অপুনবা কম্যুনিটি হোলদা মীফম অমা পাঙথোকখ্রে। মীফম অদুদা লৌখিবা ৱারেপকী মতুংইন্না লাঙ্গোল ৱুমেন দিভলপমেন্ট এসোসিয়েসন অসি নিম্পালগী মশা লোয়শঙ ওইরে। অমদি নিম্পালনা চঙশিল্লকপা লৈবাক্কী ওইবা থৌরম থৌদা কয়াদা এসোসিয়েসন অসিনা মতেং পাংবা হায়নসু ৱারেপ্লখ্রে হায়না নিম্পালগী সেক্রেটরি জেনরেলনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।


## শ্রী/ শ্রীশ্রীগৌরচন্দ্রায় নম:



পূর্ব্বাশ্রমদা ঐখোয় খ্বায় পুম্নমক্কা লৈমিন্নরম্বা **অথোকপম ৺রোমি (কালি) সিংহ**-না মাগী নুংশিজরবা ইমুং-মনুং, শাগৈ-নাতৈ অমদি মরুপ-মপাং খ্বাই পুম্নমকপু থাদোক্লম্লগা হৌখিবা তাং ১৩/০৫/২০১৮ ইং, কালেনগী ২৮ নি পানবা নোংমাইজিং নুমিত্তা শ্রীগুরুগী কৃপাদগী বেষ ওল্লগা শ্রীকৃষ্ণ চৈতৈন্য মাধবা দাস হায়বা নাম ফংজদুনা বৃন্দাবন প্রাপ্তি ওইখ্রে। হৌখিবা তাং ১৮/০৫/২০১৮ ইং, ইঙাগী ৩ নি পানবা ইরাই নুমিৎতা অষ্ঠি সঞ্চয় লৌখৎচরগা, লাক্লিবা তাং ২৬/০৫/২০১৮ ইং, ইঙাগী ১২ নি পানবা থাংজ নুমিৎতা শ্রাদ্ধ দিন থোক্লে। নুমিৎ অসিদা লৈখিদ্রবগী আত্মা শান্তিগীদমক ঙমজবা হৈ-লৈ খরদং শ্রীশ্রীগৌরচন্দ্র মহাপ্রভুগী চরন্দা হরি সঙ্কীর্ত্তনগা লোয়ননা কৎচগদৌরি। উপলক্ষ অসিদা ব্রাহ্মণ-বৈষ্ণব, অহল-লমন, মরুপ-মপাং অমদি মহাক্না তিন্নবীরম্বা ঐখোয়নদি শক খঙজহৌদ্রবা খ্বাই খিবিক্লা মতম চানা লেঙবীরক্তুনা হরিনাম শ্রবন তৌবিরনবা পাউচেগী থোংদা পাউজেঞ্জরি।

*সেবা ফংজরিবশিং :-* **অথোকপম রঘুমনি সিংহ (মপা)**
**অথোকপম চন্দ্রলেখা দেবী (মমা)**
**অথোকপম ওংবী শর্মীলা দেবী (সহধর্ম্মীনি)**

HL-P/1358/20&21 *খা-নাওরেম লৈকাই, পেচু লম্পাক।*